## ইন্দিয়াদা কেস লাখ ৩.৩২...

*লামায় ১গী মখা...* শিবা অসি ঙসিগা থারগা নুমীৎ ১১নি শুখ্রে। নোংমদা মীওই লিশিং ২গী মথক্তা শিবনা থংন-থংননা নুমীৎ মরিনি শুরে। নেসনল কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটসু চাদা ৮৩.৯২দা হন্থখ্রে। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা অপূনবা কেস মশীংনা ১,৩৬,৪৮,১৫৯নি। ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ মেদিকেল রিসার্চ (আই সী এম আর)গী মতুংইন্না এপ্রিল ২২ ফাওবদা ইন্দিয়াদা পুন্না সেম্পল ২৭,৪৪,৪৫,৬৫৩ টেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 90.459333 |
| US Dollar | 74.997575 |
| British Pound | 103.965667 |
| Australian Dollar | 58.024809 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.551828 |
| Japanese Yen | 0.695273 |
| Malaysian Ringgit | 18.247655 |
| Singapore Dollar | 56.487558 |
| South Korean Won | 0.067239 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.999353 |
| Thai Baht | 2.388144 |

## GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
All customers are home dellivery
**B/K upto 30/01/2021**
V/F19/01/2021
**Stock 306nos.**
Home Dellivery & Booking
Contact nos. 8413936705, 8414824977, 8132036940
Call timing 8amto 12 noon

**POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT:**
**Booking up to 17/03/21**
Valid from 10/03/21
Home delivery no : 9366184547

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING upto - 20-02-2021**
VALID FROM 12-02-2021
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking:17-4-2021**
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30
Adminstrative Office close on Sunday and holiday. Also Encouraged online payment. Those who haven't received within the aforesaid time please show the second copy or personal copy and along with mobile phone. also available 19kg and 5kg

**HIYANGTHANG INDANE**
**Booking 25-02-21**
Valid 22-02-21
**Stk.-306**
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 7085557686

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
**BOOKING UPTO 05-03-2021**
VALID FROM 28-02-2021
**STK 306**
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY
DATE 24-04-2021
CONTACT NO 7005695308. 6009772483

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 09/03/21**
VALID FRROM 03/03/21
5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**JRONGMEI SK INDANE WANGOI,**
**Bking upto 25/1/21**
Valid from 23/1/21.
**Stk 306,**
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 27/03/2021
**BOOKING UPTO: 02/04/2021**
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 7:30AM to 11:00 AM

**MAIBIA GAS MOIRANG:**
**BOOKING UPTO:24/03/2021**
VALID FROM : 22/03/2021
**STOCK= 612**
(HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295, ROMESH--7629090297 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/ AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to 30/03/2021**
Valid from 10/03/2021
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing:8am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

# তাকয়েল খোঙবান চিংজিনগী থোং হেবি ভেহিকল লানবা য়াদ্রে, লম্বীগী ফীভমসু য়াম্না শোকচিল্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরোইসেম্বা চিংজিন অমদি তাকয়েল খোঙবান চিংজিন অনীগী তাইনবদা লৈরিবা নম্বুল তুরেলগী মথক্তা শারিবা য়াম্না মরু ওইরিবা থোং অসি হৌজিক হেবি ভেহিকল লানবা য়াদবদগী মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবদা য়াম্না চাওনা খুদোংচাদবা অৱাবা মায়োক্লরি।



থোং অসিগী অৱাং থংবদনা ইরোইসেম্বা চিংজিন লৈ অদুগা মখা থংবদনা তাকয়েল খোঙবান চিংজিন লৈ। লম্বী অসি ইরোইসেম্বা, লমশাং, তাকয়েল খোঙবান, লাংজিং অমদি পাৎশোইনচিংবা খুঞ্জাশিংগী য়াম্না মরু ওইবা ফাওদোক ফাওজিন তৌদুনা চৎনরিবা থোংনি। য়োৎকী থোং অসি মতম শাংনা মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱার্ক দিপার্টমেন্টনা শেমজিনবিদবদগী য়োৎকী থোং অদু কোহ্লিং কারক্তুনা মচি মচিদা তৎপা, হোবা য়াওরকপদগী থা অসিগী ২০ দা অয়ুক অঙনবদা অঙৌবা মচুগী বোলেরো অমা থোং অদু লাম্থোক্লবা থৌজিল্লকপদা য়োৎশিং অদু তৎপদগী গাড়ী অদুগী মমাং থংবা চকা অনীমক পুথখিবদগী থোং অদু চৎপা য়াদবদগী মীয়াম্না চৎপদা অপনবা ওইখি।

হৌজিক থোং অদুগী য়োৎপী অতেক অকায় খরা অদু শেমজিল্লগা গাড়ী মচা অমদি লাইট ভেহিকলনচিংবদি লানবা য়ারে। অদুবু হেবি ভেহিকল্দি লানবা য়াদ্দুনা মীয়াম্না লম্বী কোয়রগা চৎনরি।

থোং অসিগী অৱাং থংবা নাকলদা ৱার্টর সপ্লাইদগী ঈশিং লৌরগা পুথোক পুশিন তৌবদা লম্বী অসি হৌজিক লৈখোম লৈনাংনা লোক লোক লাওদুনা লৈবদগী গাড়ী মচা থৌবশিংদি লম্বী নাকলদা থৈরগা মীয়াম্না চৎনরি।

থোং অসিগী মখা থংবা লম্বী তাকয়েল খোংবান লাংজিং অমদি পাৎশোই তাগদবা লম্বী অসিসু হৌজিক ফীভম য়াম্না ফত্তবদগী মীয়াম্না গাড়ী মচা অমদি অচৌবা চথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। লম্বী অসি হৌজিক কোয়লাস মচেৎ অমত্তা উদ্রে। নুঙ কাংক্রিক মথক্তা মীয়াম্না গাড়ী থৌদুনা চৎনরি। লম্বী অসিদা নুমিৎ খুদিংগী চৎলিবা অহল অমনা পাউ চে অসিদা ফোঙদোরকপদা লাংজিংদগীনা ইরোইসেম্বা ফাওদুনা চৎলিবা তাকয়েল খোঙবান চিংজিনগী থোং অসি হান্না ফৎলমদবা অদু হন্দক গাড়ী অমা থোং ময়াইদা পুথবদগী খরা শেমজনবদগী গাড়ী মচা অমদি লাইট ভেহিকলদি লানবা য়ারে। অদুবু হেবি ভেহিকলদি লানবা য়াদবনা লম্বী অসিদা গাড়ী অচৌবশিং লম্বী কোয়রগা চৎপদা অরেম্বদা চাদিং তৌরি। কিলোমিটর অমা খরা হেন্না শাংবা লম্বী অসি মতম শাংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা রিপিয়ারিং তৌবিদবদগী হৌজিক নোংম নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লে। লম্বীগী নাকলদা লৈরিবা মীওইশিংসু গাড়ী ময়াম চৎপদগী উফুলনা সলাক শারে হায়রি।

লম্বী ফত্তবদগী লাইট ভেহিকল অমা লম্বীদা থৌরকপদা উফুলনা ইমুং, মাঙ্গোন, অরু অনানগী পোৎ চৈ অমত্তা থম্বা য়াদে। লম্বীগী নাকলদা দুকান থম্লিবশিংসু উফুল চাদুনা লৈরে। মদুনা লায়না তিন্না কয়া থোরক্তুনা অমদি লোক থুংবনচিংবা কয়া য়াওনরে হায়রি। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা হায়রিবা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেমজিনবীনবা আপীল তৌবগা লোয়ননা থোং অসিসু মতমগা চুনবা মওংদা শাবিনবা খঙহল্লক্লি।

# কৌব্রু চীংশাংদা লৈরিবা লাইফমশিং ঙাক শেন্দুনা শেমগৎমিন্নসি : উকল

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস) : কৌব্রুদা চৎতুনা মীয়াম হুপ্না কৌব্রু ইপা খুরুমদুনা থৌনিমিন্নখ্রবা মতুংদা মখা তারকপদা কৌব্রু চীংশাংদা লৈরিবা লাইফমশিং ঙাক শেন্দুনা শেমগৎমিন্নবা হোৎনসি। মসিদা মীয়াম্না নীংহন্নবা নৎত্রগা নুংনাংবা লৈবীদনবা উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)না ইরৈচা পুম্নমক্কী মফমদা হায়জরি হায়না উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয়গী শেংলবা লাইফমলেন অসিদা মতম শাংনা লাই খুরুম্নদুনা লাক্লবসু লাইফম অমা ওইবগী শেমগৎ-শাগৎপা, ঙাক শেনবা অমদি নাখে শেংবীরমদবা কয়ানা মরম ওইরগা ঙসিদি পংতৌ তৌশিনবা য়াবগী থৌওং কয়া চথুরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। হৌখিবা মতমদা পানখিবা লৈঙাক কয়ানা নাথৈ শেংলমদবা অমসুং পুকচেল শেংলমদবা কয়াগী ফৎতবা মহে ঙসিগী মীরোলনা থেংনরিবা অসিনি। পুম্নমক ওইদুনসু শম্বল খাদে হায়দুনা মীগী ইংখোলদা পান থাজিনবদি পান চাবা ফংলোই।

কৌব্রু চীং অসি শক্তম কায়বা য়াদবা চীং অমা ওইনা লৈগদবদা চীংজাও অসিদা নৌনা খুন্দাশিল্লকপশিংনা চীং অসি পুল্লোই লোইশিন্দুনা মফম মরাং খঙহন্দ্রে। চীং অসিদা হৌরম্বা উজাও উপাল পুম্নমক য়ান্থৎতুনা মরু কোকথোক্লে, চীংয়াইদা লম্বী কয়া শেমজিন্দুনা চীংগী শক্তম পুম্নমক মাঙহল্লে। লাইফম তিনফম পুম্নমক তৌখায়দুনা থুগায়দুনা কৌব্রু খুরুমজরিবা পুম্নমক থম্মোয় শোকহল্লে। মসিদগী হেন্দুনা লাই খুরুম্বা লাকপশিংদা ফজদবা মওং মতৌশিং উৎপা, করেম কথাইনবা, লাইশঙ মৈ থাবা, লম্বী থদৎপা, থোং থুগায়বা, লম্বীদা য়োৎপী চৈখায়দুনা গাড়ী চৎহন্দবা কয়ামুক চথুদুনা লাক্লি।

কৌব্রু চীংগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা ইপালাই ইপুলাইগী লাইফমশিংবু শেমগৎ শাগৎপা হায়বদি মচা-মশু ওইরিবা ঐখোয়গী তৌফম থোকপা ইথৌনি। অসিগুম্বা মচা-মশু ওইবগী লৌফম থোকপা থৌদাং অসিবু লৌনবা চোংথোকপীরক্লিবা পুম্নমক্কী মরুওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মফমদা উকলনা কোক নোন্না ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমত্তনা হন্না য়েংবীরমদ্রবা ঐখোয়গী লৱাই কোকপী কোকলেন ওইরিবা অথোইবা লাইফমলেন অসিবু শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনরকপদা উকলনা মফম মতম, নোংজু নুংশা থিদনা অঙম্বা থৌদাং পুম্নমক লৌগনি। অমরোমদা লৈঙাক অসিনা য়াবীরবদি কৌব্রু ইপাগী খ্বাইদগী চাউবা লাইশঙ অমা মীয়াম্না খুৎশম্নরগা কৌব্রু চীংদোলগী কৌব্রু লাইফম অসিমক্তদা শানবা হোৎনজগনি।

মীয়াম পুন্না লাই খুরুম্মিন্নবগী থৌরমদা শরুক য়াবীখিবা ইরৈচা পুম্নমক্কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। মখা তানা চঙশিনগদৌরিবা কৌব্রু ইপাগী পায়খৎলক্কদবা থবক থৌরম খুদিংমক্তা অমত্তা ওইনা শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু উমংলাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল)না ইরৈচা পুম্নমক্কী মফমদা হায়জরি হায়না উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## থা ১ চুপ্না চথগদবা ঈ কৎপগী কেম্প...

*লামায় ১গী মখা...* ষ্টলৱার্টস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবুংঙোচৌবা, সেক্রেটরি এ কে শরত, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি টি ঐচ গগনচান্দ, ত্রেজরর কে রাজেন, মেম্বর এম রামচরন, লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্মা অমসুং ভলন্টরি ব্লদ দোনর ৬৭ রক ওইরবা খুন্দ্রাকপম প্রেমজিৎসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি এম কোলেজ সাইন্স ষ্টলৱার্টসকী সেক্রেটরি এ কে শরতনা ঈ ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মতমদা, লায়েংশঙশিংদা নুপীশিংগী লুরবা মতমদা অমদি ঈ মথৌ তাবা অনাবশিংগীদমক মতেং খরদং পাংবগী ৱাখল্লোন্দা থা ১ ঈ কৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকচবনি হায়খি।

কেম্প অসি হৌদোকপা নুমীৎতা নহা কয়ানা শরুক য়াদুনা ঈ কৎখি। কেম্প অসিদা শরুক য়াখিবা পুম্নমকপুসু থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু লাইফ সেভর্স মণিপুরগী মেনেজিং দিরেক্টর কে পদ্মকুমার শর্মানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## কৌব্রুগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফীভম...

*লামায় ১গী মখা...* মদু নত্তদুনা ৱাথোক অসি অসুম চথদুনা লৈরবদি ফুরুপ অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিনদবা হেনগৎলক্কনি। হৌজিক য়েৎনরক্লিবা অসি করিদগী হৌরক্লিবনো হায়বদু থিজিনফম থোকই।

মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবা হোৎনবদা খোংজোম লানফমদা বৃটিশকা থৱায় পান্মুবা লৈতনা ইপা-ইপুশিং অদুনা লাম্থেংনখিবনি। ইপা-ইপুশিংদা চেনখিবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদু ঐখোয় খুদিংমক্তসু লৈগদবনি। ইশাগী ওইজবনা তুংওইননা থল্লগা লৈবাক্কী ওইবদা ঐখোয় খুদিংমক্লা কথোকপগী থৌনা লৈসি। অথৌবা ইপা-ইপুশিংনা নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক থৱায় ফাওবা কথোকপা ঙমখিবগী ৱাখল্লোন অদু ঙসিগী হৌরক্লিবা নহা খুদিংমক্তা লৈবী মতম য়ৌরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সী এল পিগী লিদর ওক্রম ইবোবী, সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস এম এল এশিং, এক্স-এম এল এশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## অরোং তুরেল খোংনুং শেংদোকপা হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): খাঙবোক এ সীগী এম এল এ সূর্য্যকুমারগী লমজিং মখাদা থৌবাল অথোকপমদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব, ওর্গানাইজেসনশিংগী ভলন্টিয়রশিংনা অরোং তুরেল খোংনুং শেংদোকপা হৌখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ১৮দগী অথোকপম মখা দাম মপাদগী হৌরগা নেপ্রা কম্পেনি মনিং লৈকায় মপা ফাওবা চথগদবা তুরেল শেংবা অদুদা শরুক য়াখিবা এম এল এ, ও সূর্য্যকুমারনা পাঊমীশিংদা হায়খি, কোভিদ-১৯গী হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অমুক মায়োক্লরি। অসিগুম্বা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্লবা তুরেল অসি লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা তুরেল অসি শেংদোকপনি। তুরেল অসিদগী ঈশিং লৌদুনা খাঙবোক ৱাটর সপ্লায়না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং পীরি, মসিদা নত্তনা অথোকপম, খাঙবোক অমসুং নেপ্রাগী খুঞ্জাশিংনা তুরেল অসিগী ঈশিং চান্নরিবনি। মরম অদুনা মীয়াম্না তুরেল অসিদা অমোৎ-অকায় হুঞ্জিনবীগনু, অদুগা তুরেল শেংবগী থবক অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

## এ আরনা লুপা লাক্ষ ৫২.১৫ রোমগী লোনা য়াদবা পোৎলমশিং ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): নেম্লেল হায়ৱে ১০২ গী ইম্ফাল মোরে লম্বীদা পুলিস অমদি সেক্যুরিটি ফোর্সনা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী ২৬ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসগী মখাদা লৈবা তেংনৌপল বটালিয়ন কাঙবুনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোংয়াং এরিয়াদগী লোনা য়াদবা মরী লৈনবা চে চাং য়াওদনা পুথোক্লবা হোৎনরম্বা ওর্গানিক সরপাগন্ধা (ইন্দিয়ন স্নেকরুট) অমদি খোঙউপনচিংবা য়াওনা লুপা লাক্ষ ৫২.১৫ রোম ফাগৎপা ঙমখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না অসাম রাইফলসগী গ্রুপ অদুনা নুংতিগী পেট্রোলিং চৎপগুম ঙসিসু অয়ুক অঙনবদা বোংয়াং এরিয়াদা মখোয়না পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা উমংদা মীওই খরা চেনবা উখি। মদুদা এ আর কাঙবুদুনা উমংদা চঙশিল্লুবদা তোঙান তোঙানবা গন্নি বেগ ২৫ দা হাপ্তুনা থনম্বা ওর্গানিক সরপাগন্ধাগী পোৎলমশিং অমদি অতোপ্পা বেগ ২৫ অমদা হাপ্তুনা থনম্বা খোঙউপশিং য়াওনা ফাগৎখি। মদুগী অপূনবা ভেল্যুনা লুপা ৫২.১৫ রোমনি হায়রি। এ আরনা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি কষ্টম দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখি।

## ‘কোভিদকী খুদোংচাবা লৌরগা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োনবশিং এক্সন লৌখৎলু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৩ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা কোভিদ-১৯গী লায়না লায়চৎ অসি হেনগৎলকপদগী মীয়াম্না চাওনা অৱাবা অমা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা দুকান্দারশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লিবা অসি মরী লৈনবা মণিপুর লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন (লেৱা)না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভ অসিবু লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা হোৎনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা করবার ৱালা কাঙবুনা চানা থক্লবা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লিবা অসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী মতম চানা অকনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু।

চানা থক্লবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখৎপা অসিনা হাতে হাতে শুরগা চাজবা মীওইশিংদা অচৌবা পোৎলুম অমা থোঙ্গৎপগা চপ মান্নরে। মরম অদুনা দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনা য়োল্লিবা পোৎ চৈগী মমল থেৎতোকপীনবসু লৈঙাক্লা হোৎনবিয়ু হায়না আপীল তৌরক্লি। লোয়ননা মমল হেন্না য়োনবা দুকানশিং ফারগা চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানসু কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরকসিদা পোৎ-চৈগী মমল হেন্না য়োনবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোক্লরি।

## নেসলি ইন্দিয়ানা তশেংনা শোয়খ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* হোৎনবদা পনখিবা মফম অদু লানখ্রে অমসুং থওইনা তৌগে খন্না তৌখিবা নত্তে, অশোয়বা অসিগীদমক্তা পুকচেল শেংনা এপোলোজাইস তৌজরি। হায়রিবা লমথুংফমশিং অসিগী ফজবা অসি মশক খঙহন্নবা অথুবা মতমগী মনুংদা অনৌবা পেক অনীসু পুথোক্লগনি। হায়রিবা পেকশিং অসিদা মণিপুরগী কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক অমসুং মেঘালয়াগী বলপক্রম নেসনল পার্ক শক্তাকচগনি। নেসলি ইন্দিয়াবু সপোর্ট তৌবীবগীদমক থাগৎচরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## দুকান ৬ মৈ চাকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* মীওইশিংনা ফম্বনি হায়রি। মৈ অদু ইলেক্ট্রিক সোর্ট সারক্যুইটতগী হৌরকপ্রা নৎত্রগা হোটেল অনী অদুদগী হৌরকপ্রা হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। মৈ চাকপা অদুনা গ্যাস লিলিন্দর ৬ পোকখায়খি। মৈ চাকপগী পাউ অদু অয়ুক্কী পুং ২.৩৫ দা চুড়াচান্দপুর ফায়র ষ্টেসনদা পাউ পীরকপদগী খুদক্তা ফয়র ষ্টেসন অদুগী অরৈবা মৈইন পৱারশিং চঙশিন্দুনা মৈ কন্ননবা হোৎনখি। মসিদা নত্তনা মোইরাং ফয়র সার্ভিসকী কাংবুসু লাক্তুনা মৈ অদু মুথৎনবা হোৎনখি।

দুকান ৬ অদু পক্কা বিল্ডিং অদুগী মখাদা ফম্বনি। ফার্ষ্ট ফ্লোরদনা দুকানগী ফিরোলশিং থম্বনি মদুদা সেকেন্দ হেন্দকী ফিরোল বেল কায়দ্রিবা ৪/৫ রোমসু মৈনা চাকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা চুড়াচান্দপুর ফয়র সার্ভিসকী ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা টুইবোংগা ফায়র ষ্টেসনগা কিলোমিটর অমা ফানা লাপ্পবা নত্তে। অদুবু মখোয়না মৈ চাকপগী পাউ অদু পুং অমা থেংথনা পীরকপদগী ফায়র সার্ভিসকী কাঙবুনা পাউ হেক ফংবগা মফম অদুদা চঙশিল্লুবদা দুকানশিং অদুগী পোৎলমশিং অয়াম্বা মৈ চাক্লল্লে।

লোয়ননা গ্যাস সিলিন্দর ৬ সু পোকখায়রকপগী মৈ অদুবু কন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। মতম চানা পাউ ফংলগদি দুকানশিং অদুগী পোৎ চৈ কা হেন্না চাক্লমদবসু য়াই। থৌদোক অদুগী মতাংদা মী অশোক অপনদি অমত্তা য়াওখিদে হায়রি।

## মণিপুরদা চহীসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা ওইনা...

*লামায় ১গী মখা...* ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৮, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩৬, থৌবালদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ৩, ককচিংদগী ৩, উখ্রুলদগী ২, কাংপোকপীদগী ১, সেনাপতিদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ১০ অমসুং চান্দেলগী ২নি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি জেনিমসতা ১২, রিমসতা ১৫, ইম্ফাল ইষ্টতা ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২, মাইপাকপীদা ২, লমজিংবদা ২, রাজ মেদিসিটিদা ১১, শিজ হোস্পিটালদা ১০, লিট্টল ক্লিনিক্তা ৩, সিলমেটতা ২, হিল সাইদতা ১, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ৮, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১৫, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, জীবন হোস্পিটালদা ১, পব্লিক হোস্পিটালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ৩, উখ্রুলদা ২, সেনাপতিদা ২, চান্দেলদা ১ অমসুং চুড়াচান্দপুরদা ৯ থেংনখিবনি।

মণিপুরদা ঙসি ফাওবগী ওইনা মীওই ১,২৩,৭২০দা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে। ভেক্সিন কাপখ্রবশিং অসিদা হেল্থ ক্যের ৱর্কর ৩২,৮৬১, ফ্রন্টলাইন ৱর্কর ৬৩,১১৫, চহী ৪৫দগী ৬০ ফাওবদা লৈবা মীওই ১৫,৫৮৭ অমসুং চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওই ১২,১৫৭ য়াওরি।

## ফুরুপ পুম্নমক্না ঈংনা চিক্না...

*লামায় ১গী মখা...*অমরোমদা, খোংজোম ৱার মেমোরিএল ট্রষ্টনসু শীন্দুনা কুমজা ১৮৯১গী বৃটিশকী মায়োক্তা শোক্লখিবা খোংজোম লানদা মমা লৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাম্নবগীদমক থৱায়না পোম্থা পীখিবা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখ্রে।

১৩০রকশুবা খোংজোম লান নীংশিং নুমীৎকী থৌরম অদুদা ট্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম হেমন্ত য়াওনা মেম্বরশিংনা খোংজোম খেবা চীংথক্তা লৈবা খোংজোম ৱার মেমোরিএলগী খুভমদা হৈ-লৈ কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি।

খোংজোম লান নীংশিংদুনা ত্রিপুরাদা মৈতৈনা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্না তাবা মৈতৈ খুল গৌরনগরদা লৈবা পাউনা ব্রজবাসি পার্কতা থৌরম অসি পাঙথোকখ্রে।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরা অমদি পাউনা ব্রজাবাসি ফাউন্দেসন, ত্রিপুরা অনীনা পুন্না শীল্লগা পাউনা ব্রজবাসি পার্কতা খিনবা পাউনাগী মীতমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা পাঙথোকপা থৌরমদুদা খোৱাই জিলা পরিষদকী অধক্ষ্য জয়দেব দেববর্মন, ফোরমগী প্রসিদেন্ট এন বিরা সিংহা, সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গোল, কেভি এস খেলামোহন, মৈরা পায়বী, খোৱাইগী প্রসিদেন্ট এন বিনোতা অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট এন মদননা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অথৌবশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎখি অমসুং মখোয়গী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈনবসু নীজখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খুমন্থেম এনিমা অমসুং এন রাখিনা খোংজোম পর্ব শকখি অদুগা এন মোনিশ অমসুং এন প্রিয়ানা থাঙ-তা অমসুং শরিক-শরাক মীয়ামদা উৎখি।

## মণিপুরদা অহানবা ওইনা পি সী পি এলগী ‘পান্থোইবি...

*লামায় ১গী মখা...* খাবম বমদিয়ার অমদি মৈত্রম অনীমক্কী ওইনা ফ্লেট, ভিলা অমদি রো হাউসকী অপুনবা মশিং ৮৪৪নি। প্রোজেক্ট অসিগী মনুংচন্না শারিবা ফ্লেট অসি ২ বি ঐচ কে অমদি ৩ বি ঐচ কেনি। হায়রিবা ফ্লেট, ভিলা অমদি রো হাউসশিং অসি মীপুম খুদিংমক্লা য়াম্না অরাইবা মওংদা মীয়ামদা ফংহন্নবগীদমক অপুনবা ফ্লেট অমগী মমল অদুগী চাদা ১০ খক হান্না দাউন পেমেন্ট তৌবিরগা লেমহৌরিবা চাদা ৯০গী শেনফম অদুনা য়াম্না অনেম্বা শেন্দোইদা হায়বদি চহীদা ৬.৯৯% পর এনমগী চাংদা লোনগী খুদোংচাবসু থমজরি। লোনগী মতমনা মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক চহী ৫দগীনা ১৫ অমদি চহী ২০ ফাওবা ওইবা য়াই। ফ্লেট, ভিলা অমদি রো হাউসশিং অসিবু পান্থিবশিংনা য়ারিবমখৈ অথুবা মতমগী মনুংদা বুকিং তৌবিবা য়ারগনি। চহী অসিগী মেগী অরোইবা ফাওবদা বুকিং তৌবা লাকপা মীওইশিংগীদমক অখন্নবা স্পেসিএল দিস্কাউন্টসু থম্লি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্লা হায়, ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা সর্ভিস তৌরিবা অমদি সেটল তৌদুনা লৈখ্রবা মণিপুরীশিং অমসুং অতোপ-অতোপ্পা কন্ট্রিশিংদা সর্ভিস তৌদুনা লৈরিবা মণিপুরী দাইসপোরা ইচিল-ইনাওশিংনসু বুক্কিং তৌনবগীদমক হায়বিরকপসু লৈরে। ইরমদম মণিপুরগী পুৱারীদসু ইহান হানবা ওইরিবা রিএল ইষ্টেট রেসিদেন্সিএল প্রোজেক্ট অসিগী মখাদা ফ্লেট, ভিলা অমদি রো হাউসশিং লৈনবগী খুদোংচাবা লৈরকপা অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংগী মীওইশিংনসু হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। মালেমগী লৈবাক কয়াদা অমদি ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা অৱাংবা থাক্কী থবক কয়া তৌদুনা লৈরুরবশিংনা মণিপুরদা লাক্তুনা পুল্লরবদি মখোয়না থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্সশিং অদু শ্যের তৌরক্তুনা হৌরক্লিবা মীরোলশিংদসু কান্নবা কয়া শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি। ঙসিগী রিএল ইষ্টেট রেসিদেন্সিএল প্রোজেক্ট ‘পান্থোইবি গ্রিন হোমস’ লোঞ্চ তৌবগী থৌরম অদুদা পান্থোইবি হাউসিং ফাইনান্স কম্পনি লিমিটেদ (পি ঐচ এফ সী এল)কী সিষ্টর কম্পনি অমা ওইরিবা পান্থোইবি কন্সট্রক্সন্স প্রাইভেট লিমিটেদকী ওফিসিএলশিং অমদি ফেমিলি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

## ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদা লৈরিবা মণিপুরগী খুল কয়া ইলেক্ট্রিক...

*লামায় ১গী মখা...* য়ুংদুনা ঐচ টি ৱেয়র তিংবা হৌরম্লগা লোইশিনবীদনা থম্লম্বা, ঐচ টি ৱেয়র তিংদ্রিঙৈদা লো টেন্সন (এল টি) তিংবা হৌরম্বা, ঐচ টি, এল টি ৱেয়র তিংবা, ট্রান্সফোর্মরনচিংবসু খিল্লম্লগা মৈ পীবা হৌরমদবা, খুল খরদনা য়ুম য়ুমদা মিটর অমদি মেন স্বিটচ পাল্লগা এল টি ৱেয়র ফাওবা তিংবা লোইশিন্দনা থম্লম্বা, মফম খরদনা ঐচ টি, এল টি ৱেয়র তিংবা লোইখিবা কুইখ্রবসু মতম শাংনা ইলেক্ট্রিক মৈ ফংদনা লৈরকপনা ৱেয়র হুরান্দুনা পুখিবদগী ৱেয়র মতৎ-মতৎ ইলেক্ট্রিক পোষ্টতা য়াল্লগা লৈহৌবসু থেংনরকখি।

য়াওঙৌলেন খুলগী চর্চকী পাষ্টর জমাং এলিয়স অন্থোনিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, ইলেক্ট্রিক মৈ পীরগনি হায়দুনা চহী ৪/৫গী মমাঙদা খুল অসিদা য়ুম য়ুমদা মিটর অমসুং মেন স্বিটচ পানবীরমখ্রে, এল টি ৱেয়রসু তিংবা হৌরমখ্রে অদুবু ইলেকিট্রক মৈদি ঙসি ফাওবদা উবা ফংদ্রি। ম্যান্মারদগী সোলর লাইটিং সিষ্টম অমদি জেনরেটর লৈদুনা শীজিন্নরি। খুলগী লম্বীদসু চৎথোক-চৎশিন নুংঙাইনবা সোলর ষ্ট্রিট লেম্প থাল্লি। খুল অসিদা মোবাইল ফোনগী নেটৱার্ক ফংদবনা মীয়ামগী ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌননবগী উপায় অমত্তা লৈত্রে। খুঞ্জাশিং হিংবদা চঙবা মরুওইবা পোৎলমশিংসু লম্বী-থোং ফৎতবনা মরম ওইদুনা মোরে, চান্দেল নৎত্রগা চকপীকারোংদগী লৌবা চৎকদবা অদু খুদোংচাদবনা য়ুমথংনরিবা ম্যান্মার লৈবাক্কী বোকান টাউনদগী লৈদুনা শীজিন্নরি, অনা-লায়েংবা ফাওবদসু তমুরোমদনা অয়াম্বা চৎলি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

খেংজাং খুলদগী তোংলুন কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা, চহী ৪/৫গী মমাঙদা ৱেয়র তিংবা, ট্রান্সফোর্মর হাপ্পগী থবক হৌরমখ্রে অদুবু থবক মখা পায়খৎতবনা ঙসি ফাওবা ইলেক্ট্রিক মৈ ফংদদুনা লৈরি। লোয়শঙগী মীওইশিংনদি ওফিসতা রিপোর্ট থাবদা লোইশিল্লে হায়নসু থাবীখ্রে অদুবু ইলেক্ট্রিক মৈদি শুক্লাক লাক্ত্রি, মখোয়না থৌশাদবনা তিংলম্বা ৱেয়রশিং ফাওবা ককথৎ ককথৎলগা হুরানবীখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মোলচাম ভিলেজ ওথোরিটিগী মেম্বর লুমখোলমনা হায়, চহী ৫গী মমাঙদগী ইলেক্ট্রিক পোষ্ট য়ুংবীরম্লে। য়ুম য়ুমদা মিটরসু পানশিন্দুনা থম্বীরম্লগা ঙসি ফাওবা মৈ ঙালহনবীদবা অসি করিগীনো হায়না হংলদুনা অথুবদা মৈ ফংহনবীয়ু। মোলচাম খুল অসি য়াম্না শাবা মরম্না কালেনথাগী মতমদা খাঙবা য়াম্না ৱাই। ইলেক্ট্রিক মৈ লৈতবনিনা ফেনসু শীজিন্নবা য়াদ্রে। মোলচাম খুল অসিদি সব-দিভিজনল হেদ ক্বার্টরসতগী লাক্লিবা পি এম জি এস ৱাইগী লম্বী অসিসু শেম্বদি হৌরম্লগা লোইদনা লৈরিবা অসিসু অথুবা মতমদা শেমজিনবা লোইশিনবীয়ু। ম্যান্মারগা খুল্লোন্নবা লৈবা অমদি ফাওদোক ফাওজিন তৌনবা মফম অমসু ওইরিবনি। খুল অসিদা পুলিস ষ্টেসন অমসু লৈরি। সিক্যুরিটিশিংগী ঈ-পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌনবদা অমদি মথৌ তাবা খুদক্তা চৎথোক চৎশিন তৌগদবা কয়া মথৌ তাবা অদুসু মোবাইল ফোনগী নেটৱার্ক/ সিগনেল ফংদবা অমসুং লম্বীগী খুদোংচাদবনা সিক্যুরিটি অমসুং খুঞ্জাশিংদা অৱাবা মায়োক্লহল্লে। লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদুনা ইলেক্ট্রিক মৈ ফংহনবীনবা, লম্বী শেম্বা লোইশিনবীনবা অমসুং মোবাইল ফোনগী সিগনেল/নেটৱার্ক অথুবা মতমদা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লকখি।

তোলবুং খুলগী ভিলেজ চীফ লেটখোসৈ হাওকিপনা ফোঙদোরকপদা, জৌপিদগী সেলোননচিংবা খুল কয়া ফাওদুনা ন্যু সমটাল ফাওবগী লম্বী অসি কুমজা ২০০০ ফাওবদি য়ম্না ফজনা লৈরম্মী। মদুগী মতুংদা শেম্লকপা মতমদদি ক্বালিটি মেন্টেন নীংথিনা তৌবীদনা শেম্বনা শেম্পা লোইদ্রিঙৈদা কায়রকপনা হেল্লে। মদুনা মরম ওইরগা লমবী অসিদা লৈরিবা খুলশিংগী খুঞ্জাশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা হেন্না অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি কোকহনবীনবা মরী লৈনবা লোয়শঙনা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মোলদর্নোম খুলগী চীফসু ওইরিবা কে সী এ খেংজোই সব-দিভিজনগী চ্যেরমেন ওইরিবা ঙমখোলুন হাওকিপনা পাউমীশিংদা খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা ফোঙদোরকখিবদা, খেংজোই সব-দিভিজনদা অপূনবা খুল ৭০/৮০ রোম লৈ। খুলশিং অসিদা খুল ২৪/২৫ দি ইলেক্ট্রিক মৈ ফংলে। খুল ৫০ রোম অমদি ইলেক্ট্রিক মৈগী মৈঙাল অমত্তা ফংদনা ঙসি ফাওবা চহী লিশাং-শিংনা লাক্লি। মৈগী পৱার সব-ষ্টেসন শঙ্গাবা, ৱেয়র তিংবা হৌরকপা মতমদা মীয়াম্না ইলেক্ট্রিক মৈ ফংলগনি হায়না হরাওখিবনি। অদুবু চহী ৪/৫ হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবা মৈ ফংলক্তবা অসিনা হেন্না অৱাবা ওইরে। লৈঙাক্কী রেকোর্দতদি ইলেক্ট্রিক মৈ ফংলে হায়না লৈখিবনরা মনিরেদাগী মখাদা পীবা সোলর লেম্প ফাওবা পীবীরক্ত্রে।, খুঞ্জাশিংদি অমম্বদা লৈবা য়াদবনিনা ম্যান্মারদগী সোলর লেম্প অমদি জেনরেটরনচিংবা লৈদুনা লন্নাই মৈ থান্নরি। লৈঙাক্কী মতমদা ফংহন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লকখি।

মরী লৈনবা লোয়শঙনা কুপ্না অমুক্তং থিজিনবীদুনা ইলেক্ট্রিক মৈ ফংদনা লৈরিবা খেংজোই সব-দিভিজনগী খুলশিং চহী অসিগী মনুংদা মৈ ফংহনবীনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

ঙমখোলুন হাওকিপনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্লা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা শেমখিবা কেমদো লমখায়দগী মাওকট ফাওবগী লম্বী, কেমদো লমখায়দগী মাওকটলোমদা চৎপা হৌবগী লম্বী মচিন অসি য়াম্না ঙম্বনা গাড়ী কয়া কাবা ঙমদবা অমদি কুমথবদা ব্রেক ফাবা ঙমদদুনা এক্সিদেন্ট তোয়না থোক্লি। লৈঙাক অমদি ৪২ চান্দেলগী এম এল এদা হায়জবদগী কেমদো লমখায়গী অঙম্বা অদু থৈদোক্তুনা সাইবোল জৌপিদা লম্বী ফাওননবা নাকল অনীমক্তগী লম্বী ককপা হৌবীরম্লে। কিলোমিটর ৭ রোম শাংগদবা লম্বীদা কিলোমিটর ৩ লোমতমক ঙাইরবা মতমদা লম্বী ককপসু লেপ্পীখ্রে। য়ারবদি ৪২-গী এম এল এসু ওইবীরিবা মিনিষ্টর লেটপাও অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙনা মীৎয়েং চঙবীদুনা লম্বী অসি ককপা লোইশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

অমরোমদা, মহাক্কী খুল ওইরিবা মোলদর্নোম খুলদা য়ুম্নাক ২১ লৈ। অপীকপা মহৈ তম্বা য়াবা অঙাং ৪০ মুক লৈ। অঙাং ১২না শুগনুদা, অঙাং ৫না পল্লেলদা মহৈ তম্লি। অঙাং ২২ অমদি খুলদা স্কুল লৈতবনা খুন্থংনবা খুলদা কিলোমিটর ৩/৪ চৎলগা মহৈ তমগদবাঅদু শা-ষন, শরদংনচিংবা ময়াম লৈবনা স্কুল চৎপদা থেংনগনি কিবদগী মহৈ তমদনা লৈরি। য়ারবদি এল পি স্কুল অমত্তং খুলদা থম্বীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।